# লোইশিনফম খঙদ্রবা লাইরোই - ২



- এস ইন্দ্রকুমার-

'লাই হরাওবা' হায়বা মালেমগী মফম অমত্তদা পাঙথোক্তবা, মণিপুরখক্তদা পাঙথোকপা কুন্মো মখল অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক খঙবা মী মশীং মালেমদা য়াম্না লৈরম্লোই। মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা মীওইশিংগী ৱাদি তোকখ্রসি, লমদমসিদা লৈজবা-পোল্লকপা অমসুং চাউরকপা মী মরকসিদসু কুন্মোসিগী ৱাংউলোন (অৱাংবা থাক্তা উরগা তাকপা লোল, ফিলোজোফি) খঙবা মী-খূৎ থেক্তুনা পাবা য়াখিনি। কুন্মোসিগী নুংগী ওইবা মশক খঙবা মী ৱাৎলবসু, কুন্মোসিদা শরুক য়াবা মীদি মশীং থিঙমদনা লৈরম্মি। মখোয়দুনা হিংহল্লকপনি - মৈতৈগী লাই হরাওবা/মণিপুরী কলচরগী হৌরকফম। মালেম শিন্না ফাওরবা মণিপুরী জগোয়গী য়ূম্ফম ওইবা নাৎকী শক্তম। জগোয়-ঈশৈ, লাইশোন-তিনশোন ময়াম অমনা কুয়োম ওইবা কুন্মো অসিগী মমিং 'লাই-হরাওবা' হায়না খঙনরম্বা অসিনা, কুন্মো অসি ইচম চম্না মীওইবগী পূক্নিংগী 'হরাও-নুংঙাই-ইথিল'দু ফোঙদোক্লবা শেন্নম্বা কুন্মো মখল অমা নত্তে হায়বা তাকই। শকউদবা লাই-দিভাইন ওইবা কনাগুম্বা অমবু পেলহন্নবা/হরাওহন্নবা পাঙথোকপা কুন্মো অমনি। মরম অসিনা, কুন্মো অসি পাঙথোকপা-নহাক, ঐহাক, মহাক- তোম, দিক এন্দ হেরী, অমনা হেক্তা শিল্লুবা য়াবা নত্তে। তৌগদবা/তৌরোইদবা, মথং-মনাও কায়বা য়াদবা থৌরম পরেং ময়াম অমা লৈরি। ময়ামশিংদুই মরক্তা 'লাইরোই' হায়বসিসু অমনি। লাইরোই-মমিংসিমক্লা তাকই, তাঙ্কক অসি 'ফেষ্টিবেলসিগী অরোইবা তাঙ্কক'/'কন্‌ক্লুদিং পার্ট' অদুনি। লাই হরাওবগী থৌরমদা 'লাইরোই'গী শরুক অসি য়াম্না লুবা, শোয়বা য়াদবা তাঙ্কক অমনি থাজনৈ। ইজরিবা ৱারেংসি, নাৎকী ওইবা থৌরম অসিগী মরমদা ইগে খনবা নৎচদে, থবক অমা তৌবদা, থবক্তু লোইশিনফম খঙদ' থনম্লবা, মঙদা শামুনা তাল্লি (মঙলাকনই) হায়বা ৱাহায় অমা অহলশিংনা হায়নরকপদু, লমদমসিদা থোক্লিবা তমথীরবা ঈরাংসিগী লোইরমদাই, এক্সপরিএন্স ৱাৎপা মাইবীনা লাই হরাওবগী লাইরোই থৌরম শিনবদুগা পাঙ্খক ওইরবরা খন্দুনা লাইরোই ৱারী নীংশিংলম্বনি। 'লাইরোই থৌরম শোয়খ্রবা লৈকায় অদু অৱাবা তাই' থাজনরকই মমাঙঙৌদগী। ২০২৩, মে ৩দগী হৌরকখিবা 'কুকি-মীতৈ' লান অসি চহী অহুম মপূম ফারক্কদবা থা অমরোমতমক ঙাইশিল্লক্লে। ঙসি ফাওবা লোইশিন্দ্রি। লোইশিনফম খঙদ্রবা 'লাইরোই' ওইনা লৈখিদুনা মঙদা শামুনা ঙাইহাক লৈতনা তান্দুনা মঙলাক্লবা অহিং কয়া লেনখিগদৌরিবরা? নৎত্রগা শাহ-মোদি অনীনা ইফেক্টিভ ওইবা অরোইবা লাইরোই কুন্মো অমা শান্নরক্কদৌরিবরা? শোয়দ্রবনি অমদি।

অদুবু, চহী অনীগা থা তরামাথোই শান্নরকপা কুন্মো অসি কনানা, করিগী, কমদৌনা শান্নরকপনো? ময়েক শেংলে ঙসিদি। লোইফম থোক্লবা লান অসি করিগী লোইশিন্দবনো? লান খান্বা লাকখিবা মশীং য়াম্লবা, অকনবা লাম্মী তেঙ্গোলদুনা লানগী মৈ লেপ্পা লৈত' য়াঙশিল্লগা করম্নদি মূৎকনি! লানগী মৈ মূৎখিরোই। লান অসি লোইখিরোই। নোংমৈ কাপ্পা লেপ্লিবা, লেপহনবনি থওইনা, লান লোইবা নত্তরি। কাপহন্নীংবা নুমিত্তা অমুক কাপহল্লক্কনি। হৌহন্নীংবা নুমিৎতা অমুক হৌহল্লক্কনি। তমথীনা য়েক্লবা লৈপাক অনীগী লমখৈ (বোর্দর) পরিংদা, অমনা অমগী লমদা চঙবা য়ানদবা লম-মচেৎ অমগী পরিং য়াৎথোক্তুনা থম্বগুম, 'বফর জোন' মিংথোনবা ইমাজিনেরি লাইন অমা শেমঘৎলগা, কাঙলূপ অনীগী মীওই অনী চঙনহন্দনা থল্লিবা - মালেমগী লৈপাক অমত্তদা চৎনদবা থৌশিলনি। মোদি-শাহ অনীনা লৈঙাক শুপ্পায় পায়রগা, ঈরাং কন্ট্রোল তৌঙমদ্রে সী এম ফম থাদোক্লো-থাদোকহনখি বিরেনবু। সেন্টর'-মনাই অচানবা ব্যুরোক্রেট ওফিসর ভল্লাবু লৈঙাক শুপ্পায় পায়হনখি। প্রসিদেন্টকী মহুৎ-শিন' চহী অমা ফানীংচিৎ লৈঙাক থৌদা পুহনববু করিমত্তা তৌঙমখিদে। ষ্টেট-ট্রান্সপোর্ট-দিপার্টমেন্টকী বস'তা থাবা ষ্টেটকী মিং সেন্ট্রেল ফোর্সকী য়াথংদা, মূখৎলগা থৌহনবা-তূমিন' য়েংদুনা লৈথোকখি। নোর্মেল ওইদ্রবা সিচ্যুয়েশন, নোর্মেলাইজ তৌনবা হোৎনফম থোকপা মথৌদাং অমত্তসু তৌখিদে। লুপা ক্রোর কয়া চঙনা পাঙথোকপা 'ষ্টেট টুরিজম ফেষ্টিবেল' - জোকর অমনা শিনবা থৌরম অমগা পাঙ্খক ওইহনখি। চহী অমা ফাগদবা নোংমা-নীনিদা ঙাইশিল্লক, কন্সটিট্যুশনেল ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরক্কদবদু কিবদগী, 'মীয়াম-লৈঙাক-হনজিনহল্লে' হায়বা য়ানবা, য়াঙলেন-শরূ-পান্দবা শাগা পাঙ্খক ওইরবা এম এল এশিং দেল্লীদা কৌদুনা অনৌবা লুচিংবা খলহনখি। সী এম ওইনি মূকখিবা লীদর ময়াম অমগী মিং নাথৈ'-হুন্দোকখিদুনা 'খেমচান্দ'বু খল্লকখি। মখোয় ময়াম্না খন্দৌ'দু মবুংঙোনা খনবনি, কনানসু করিমত্তা হায়ঙমদনা হল্লকখি। মখা-কদোম/অৱাং-কদোম লাউবদা মঙক হাইবা তিঙ্গাকোক থৱায় পাল্লি হায়বগী মিংতমক ফংজবালেঙ-ওৎপদি ঙমদবা জীবদুগা পাঙ্খক্লি। করি হায়বা ঙল্লুনি? হৌখিবা চহী অহুমসি অসুম'-হিংলল্লিবনি। বি জে পি হায়বা লূপসিগী মীহুৎ ওইনা লৈরি'খৈ, তিঙ্গাকোক'কুম লৈগনি - খঙনা খঙনা খঙদ্রিবনি... থৱায় হকচাং অনীমক থমায়থোকখ্রবনিনা!

কুকিশিংনা তাল্লিবা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' তোখায়বা লৈঙাক হায়বদো পীরবগা পাঙ্খক্লি। চীফ মিনিষ্টর অহুমনি হাপ্লিবসে সেন্টর'না -মীতৈ অমা, নাগা অমা, কুকি অমা! কুকিনা নিংঙাই তৌরিবা-তৌহনবনি সেন্টরনা। দেপ্যুটি সী এম পীরগা তূমিন পেন্থোক লৈখ্রদি অদুক কনবা নিংঙাইদু তৌরুবই ময়াই চল্লনি, নখোয়গী নিংঙাই লেপকনু হায়রমগনি বোস'তুনা-"নখোয়গী দিমান্দ তঙ্খায় ফংলবগুম্বনি।"

মীয়াম্না খনবা লৈঙাক মীহুৎ লৈনা-লৈনা, লৈঙাক থৌদাং পাঙহন্দ' লেঙবা ওৎপা ঙমহন্দনা থল্লকপা চহী ফাজিল্লক্কদৌরবা, কন্সটিট্যুশনেল ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরক্কদবসু কন্নবা, তিংগোং-কাঙ্গোংগুল্লবা এম এল এ'শিংদু দেল্লীদা পুল্লপ কৌরগা, য়োং-মীফম অমা ফমহল্লগা মখোয়গী অনৌবা লুচিংবা অমা খলহনখি। য়াঙলেন শরূ পান্দবা জীব (স্পাইনলেস ক্রিয়েচর) ঙাক্তা ওইরবা এম এল এশিং, মখোয়না খনজগদবা নংখিদে। হায় কম্মান্দ'না সিলেক্ট তৌরবা লুচিংবা অমগী মিং অদু মখোয়বু এন্দোর্স তৌহন্নবনি। করম্বা ক্রাইটরিয়াদা মাবু 'সিলেক্ট' তৌখিবনো'দুদি খঙদে কনামত্তনা, সী এম ওইরকপা য়াই পান্নরম্বা পোলিটিসিয়ন ফাওবা মিং খত্তোক্তুনা থনম্লগা, য়ূম্নাম খেমচান্দ'বু খল্লকখি। মীওইবনিদনা, মীগী চীনবু কনানা মেনবা ঙল্লুনি। হায়নরকখি- 'কুকিশিংনা য়াগদবা, ন্যুট্রেল ওইবা মীশক অমা থিরকপদা খেমচান্দ'দা তাখিবনি'।

কনাসু করিমত্তা হায়'কম্মান্দগী ৱারেপ্তুগী মায়োক্তা ৱাহৈ'মত্তা হায়ঙমখিদে। সী এম ওইবা খেমচান্দগী মথক্তা নাগা অমগা কুকি অমগদা দেপ্যুটি সী এম অমমম ওইহল্লগা, বিষ্ণুপুর অমদি ৱাঙ্গৈই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎশিংদুবুনা কেবিনেট মিনিষ্টর/এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অহুমগী এদমিনিষ্ট্রেটিব হেদ অহুমদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তৌহনবগুম। 'কুকিশিংগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন দিমান্দ পীথোক্লবগুম্বনি'... হায় কনাগুম্বনা। অচুম্বা খরসু য়াওদবা নত্তে ৱাহায়সিদা। মোদি-শাহ অনীগা কুকিশিংগগী মরক্তা য়ানবা অমসু লৈরম্বা য়ারিবনি - কনানা হায়বা ঙম্বগে? পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট হঞ্জিনহল্লে হায়বা চীন্থোক্কী ৱানি, প্রসিদেন্ট'স রুলগী অতোপ্পা শক্লোন অমনি - খেমচান্দ'না লুচিংবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট। থা অনী শুজিল্লক্লে - লৈফম থোকপা মিনিষ্টর মশীং (অপূনবা সিটকী চাদা কুম) শুনফাও, লীদর মানা হাপচবা ঙমদবা লৈঙাক্লি। কেবিনেট এক্সপান্সন তৌবফাও হায় কম্মান্দগী য়াথং য়াওদনা তৌঙমদবা।

ফরে, ঙাঙননীংবা ঙাঙনসনু। ষ্টেট লৈঙাক লৈরেদনা, মীয়ামগী মীহুল খঙবীবা! পি আরগী মতমদা কুকি-আই-দি-পি লৈরিবা কেম্পতুদা মীতৈ এম এল এ খেমচান্দ'না অৱা-নুংঙাই হংলুবা, মফম অদু ঙসিদি অনৌবা লানফম ওইরেদনা- মীতৈখক্তা নত্তনা তাঙ্খুল-নাগা কাঙবুসু লানবা য়াদ' মফম অমা। মীতৈখক্তা নত্তে, তাঙ্খুল নখোয়সু য়েক্লবনি ঐখোয়গী, কুকিলেন্দ'দই তান্থোক্কনি- কুকিশিংনা পীরকপা অনৌবা পাউজেল অমনি। নাগা লীদরশিংনসু ঙসি ফোঙনা লাউরক্লে... 'কুকিগী থৌনা হন্দ্রিবা, হেন্না লম হেল্লক্লিবা - মণিপুরবু ঙাক্লবা থারক্লিবা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা ফৈগাক ফৈনা মতুংদা লেপ্পননি।

মণিপুর-ভাইওলেন্স-কুকিশিংবু চুঙ্গোয় ওইনা শীজিন্নরগা ইন্দিয়ন আর্মিনা মেইনলেন্দ পোলিটিসিয়নশিংনা থোকহনবনি পাউথোক্লিবসি লাল্লি হায়বা প্রমান তৌ... ঈংথরুরবা লান অসি নৌনা অমুক হৌরক্লিবা... লাকশিনবা ৱাগদবা মৈজাও অমা হৌরক্ত্রিঙৈ কুকিশিংবু লাকশিল্লু। লোইশিনফম খঙদবা লাইরোই অসিগী শৈহেক অমা পুথোকউ। ●

# মার্চ ২১, মালেমগী শৈরেং নুমিৎ, ২০২৬ - নুমিৎ অসিগী পাউজেল



- তোংব্রম অমরজিৎ -

মালেমগী শৈরেং নুমিৎ অসিমক য়ুনেস্কোগী ৩০শুবা জেনরেল কনফরেন্সকী মীফম অমা পেরিসতা কুমজা ১৯৯৯দা ফমখিবা মীফম্না ৱারেপ লৌখিবগী মতুংইন্না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ অমনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা পীনীংলিবা পাউজেলদি মালেমসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্তা শৈরেং পাবদা, ইবদা হেন্না পূক্নিং থৌগৎপা, শৈরেংগী মরু ওইবদু হেন্না পূক্নিং ৱাখলদা অমদি থম্মোয়দা ফাওহন্দুনা খুন্নাইদা অফবা, অচুম্বা, অশেংবা অমসুং নুংশিবা পূক্নিং ইহুলশিং ফাওহন্দুনা মালেম অসিদা ঈং-তপ্পা পুরকপদা তেংবাঙহনবদুনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা ঙাঙনরিবা লোল কয়াদা ইরিবা ফজরবা শৈরেংশিং অদু পাদুনা পূন্না তামিন্নবা অমদি শৈরেংশিং অদুগী ৱাহন্থোক নৈনবা নুমিৎনি ঙসি অসিমক। নুমিৎ অসিদা খোরিরোলগী লূপশিং, লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা শৈরেং শৈদিন্নবা, ৱার্কশোপ পাঙথোকপা, শৈরেং থীবগী অথোই অহেন তান্নদুনা মনা-মথুমশিং লান্থোকপনচিংবা থৌরম পাঙথোক্লরি। নুংঙাইরিবা পাউ অমদি নেশনল একাদেমি ওফ লেটর্স, সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লীনসু নুমিৎ অসিগী মপূং ওইবা থৌরম অমা ওইনা মল্টি লিঙ্গ্যুএল পোইটস মীটনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্লন্দুনা লাক্লি। মসিদা সাহিত্য একাদেমিনা শকখঙলবা মণিপুরী লোল য়াওনা লোল কয়াগী অশৈবশিংনা শরুক য়াদুনা মানা-মানা ইজবা শৈরেংশিং খুদোল তম্নরি। মসিমক য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। দিজিটেল ইরা অমা ওইরবা ঙসিগী মালেমসিদা হৌজিক্তি অমুক কোভিদ পেন্দমিক মতুংসিদা অমুক্কা হেন্না ওনলাইনদগী সোশল প্লেটফোর্মশিংদা ওনলাইন পোইটস মীট, সিম্পোজিয়ম, দিস্কশননচিংবা থৌরমশিংসু পাক শন্না পাঙথোক্লরক্লি। অসিগুম্বা মালেমগী শৈরেং নুমিৎ অসিদা শৈরেং লাইরিক ফোঙবা অদুগা শক্লাইরবা অইবা/অইবীশিংদা মখোয়না মখোয়গী পূন্সিদা অইবা অমা ওইনা লৈবাক মীয়ামগীদমক অমসুং মীওইবা খুন্নাইগীদমক করিগুম্বা খরা ইদুনা ফোঙদোক্লিবা খোরিরোলদা পীরিবা খুদোল অদু শকখঙবা ওইনা মনা মথুমশিংসু পীদুনা ইকায়খুম্নবগী থৌরমসু পাঙথোক্লরি।

শৈরেং নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইববু পামজবা নহা, অহল খাক্তনা অমসুং তাইবঙপান অসিদা মীপূম খুদিংদা পীরিবা লৌশিং, মসিদা য়াওরিবা লোল, ময়েক নুংশিবগী, মহৌশা অমসুং মালেমবু অমত্তা ওইনা উবা ঙম্বগী ৱাখল্লোন অসি নৌহৌননা নীংশিংদবা য়াদে। শৈরেং ইবা অমসুং পাবা অদুগা শৈরেং লাইরিক কয়া লেপ্তুনা ফোঙবা ঙম্বা হায়বসিদা ঐখোয়গী লোল ময়েকপু য়োকখৎপদা চাউরবা মতেং ওইরি হায়বসি ঐখোয়না নীংশিংনীংঙাই ওইরক্লি। খুন্নাইগী অহিংবা পুৱারীবু লেপ্তুনা লাচল্লিবসিসু খোরিরোলনি অদুগা মসিদা খ্বাইদগী হেন্না থাক ৱাংনা ইরিবসি শৈরেংদনি। নীংশিংবা থোক্লবা থায়নদগী হৌনা কবিশিংনা ইরিবা শৈরেংনা অপাবশিংগী পূক্নিং-থম্মোয়বু হুদুনা লাক্লি। মীওইবা খুন্নাইনা ৱারবা মতমদা, লম্বী লম্মুক্লরবা তানফমদা শৈরেংনা লমজিংদুনা লাক্লি অদুগা মঙাল পীরি। শাফূ কনবা শৈরেংনা লৈবাক অমা, খুন্নাই অমবু মীকপ থোকহনবা য়াওদবা নত্তে। অদুননি হায়নরিবসু শৈরেং হায়বসিনা সাহিত্যগী থৱায়নি। আমেরিকান কবি এসেয়িস অমদি ক্রিটিক এদগর এলান পোনসু মহাক্কী এসে "The Poetic Principle" দা হায়রম্মী "To elevate the soul, poetry is necessary" মসিনি শৈরেংগী মরু ওইবসু।

কুমসি চহী ২০২৬কী মার্চ২১দা পাঙথোকখিবা নুমিৎ অসিগী থিমদি "Poetry as a Bridge for Peace and Inclusion" হায়বসিনি। মালেম পৃথিবীগী লৈবাক কয়াদা ঙসি ঙসিমক লাইরিক লাইশু হৈবা, সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদা মাঙজিল থানা চাওখৎলবা লৈবাক কয়াগী মরক্তা শক্তি হেন্না তান্নবা, মুক্লবা-য়েংথিনবা হেল্লক্লি হায়বসি পূম্নমক্লা য়ানীংই। অদুদি ঐখোয় মীওইবনা তল্লিবা মহৈ, তানশিল্লিবা লন-থুম, চাওখৎলে খল্লিবা অসি অরানবা নত্তনা করি ওইগনি। হেন্না চাওখৎলে হায়রগা লান হেন্না পান্নরক্লিবা য়েংথীনরিবসি অফবা খুদমদি নত্তে। মসি লাইনীং পরৈ চেৎলক্তবা, অচাওরম অমদি নাপলগী হি তোংদুনা ঐ মঙায়রে হায়না খল্লকপা ৱাখল্লোন ফোঙদোকপনি হায়না লৌদবা য়ারোই। মতম অমা নুংশিবা ঈশৈ নোংমাই তাদুনা, পেনা তাদুনা, খুনুং ঈশৈ শক্তুনা হরাও কুন্মো পাঙথোক্লবসু ঈংনা পাল্লম্মী। ঙসিনা অচাওরম অমদি নাপল, অরং-অরাক্কী পূন্সিদা হেন্না লুপশিল্লক্লি। মীওইবনা নোংমা মালেম লৈশাদা তিনখিগনি হায়বসি হেক হেক কাউরকপা মীকুপশিংদা খুন্নাইদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক্লা পরেং শাদুনা লাকই। তাহৈ-উহৈদবা পাউসু পাউচেশিংদা থোক্লকই। হৌনবা - তৌহৈদবা, অফবা ফত্তবা খঙদবা মীগী মশীংনা য়াল্লকপদা মসিবু খরদং অচুম্ব অরান করিনো, পূন্সি অমদি তাইবঙপাল অসিনা করিনো হায়না ৱাখল খন্থহল্লিবসি সাহিত্যননি, খোরিরোল অমদি শৈরেংননি হায়দবা ঙমদে। মতাং অসিদা ইংগ্রাজি কবি ৱিলিয়ম ৱার্দসৱার্থনা শৈরেংগী মতাংদা হায়রম্বা ৱাফম নীংশিংবা য়াই। মহাক্না হায়, **Poetry is the breath and finer spirit of all knowledge'** শৈরেংদা য়াওরি মীওইবগী অশেংবা পূক্নিং থম্মোয়গী মক্ত্রবা য়াৱাশিং। মসিবু পারুবা অমদি থেংনরুবা অপাবশিংদা অঙকপা ইনোৎশিং হাপ্পী। থৌনা লৈহল্লি। পূন্সিবু ৱাহন্থোক লৈহল্লি অমদি নোল্লুকপা লম্থেলদা নকশিন্নীংবা ফাওহল্লি। মসিনি শৈরেংগী ইথিল। এসিয়া মহাদেশতগী অহানবা ওইনা অমদি য়ুরোপ নত্তবা লৈবাকশিংদগী অহানবা লেমজনীংঙাই অমদি চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা নোবেল প্রাইজ বেঙ্গলি কবি রবিন্দ্রনাঠ টেগোরনা মহাক্কী গীতাঞ্জল্লিদা কুমজা ১৯১৩দা ফংখিবা অসিমক য়াম্না নীংশিংনীংঙাইনি। টেগোরনা ইরল্লিবা শৈরেংশিং ইচম চম্বা শৈরেং নত্তে। টেগোরনা হায়রমখি, 'শৈরেং হায়বসিদি অশেংবা অচুম্বা অদু নীংথিজনা ফোঙদোকপা ঙমগদবনি অদুগা ফোঙদোল্লিবা ৱাহৈশিং অদুদা পূক্নিং ইহুল অদুনা মীওইবগী থৱায় মীরেল, মহৌশা অমসুং তাইবঙ অসিবু শেল্লিবা লেঙদ্রবা মপু মহাক্না মাঙফ-কায়ফদ্রবা লিক্লম অদুগা মরী অমা লৈরিবদু ফোঙদোকপা ঙম্বা ওইগদবনি'। শম্না স্পিরিচ্যুএল ওইবা মরী অমসু শৈরেংদা মমি তাহনবা ঙম্বদুনি মরু ওইরিবসি। মালেম ফাওরবা কবি টি এস ইলিয়টনা মহাক্কী মমিং চৎলবা শৈরেং 'দি ৱেষ্ট লেন্দ' ১৯২২দা ফোঙখিবা অসিদসু অদুমক ফোঙদোক্লি মদুদি, অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও লোইরকপা মতম অসিৱাইদা নোংচুপকী সিভিলাইজেশননা মরাই চাইথরকপা মতমসিদা নোংপোক লমগী স্পিরিচ্যুএল ওইবা মিৎয়েং, লাইনীংগী ফিলোসোফি অদুদা আশা থমদুনা নৌনা খুন্থোকনীংবগী অনীংবা অপাম্বদু ফোঙদোক্লি। শৈরেংনা খুন্নাইগী অশেংবা মশক অদু উৎতুনা ইরগসু মদুনা মীওইবদা আশা পীবা ঙমদ্রবদি মদু ইবগী মহয় য়ান্দবগুম লৌবসু য়াই। ইরিবা ফোঙদোল্লিবা শৈরেং অদুনা অপাবশিংদা করিগুম্বা অফবা হীরমদা অফবা ইথিল পীবা ঙল্লবদি মদু মায় পাক্লে হায়না লৌগনি। ফজবা শৈরেংনা অপাবশিংবু কয়া য়াম্না ইথিল পীবা ঙম্বগে হায়বদু পুৱারীনা লেঙদ্রবা খুদমসু ওইরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুনা মহাক্কী কাংথোল নাকল্দা ইংগ্রাজি কবি রোবার্ট ফ্রোষ্টকী শৈরেং "Stopping by Woods on a Snow Evening" হায়রিবা অসিগী মমিং চৎলবা পরেং খরা "The woods are lovely, dark and deep,/But I have promise to keep,/And miles to go before I sleep,/And miles to go before I sleep" অসি ইরগা থমখি। শৈরেংসিদা নেহরুন্দা থৌনা কয়া হাপখি। পূন্সিগী পান্দম খঙনা হিংখি। ৱাশক কয়া থবক্তা উৎখি। চাওখ্রবা লৈবাক অসি লৈঙাকপগী থৌদাং থৌনা লৈনা পাঙথোল্লমখি। মসিনি শৈরেংগী মতিক ময়াইসু।

ঙসিদি মালেমসে অপীকপা খুঙ্গং অমগা পাঙ্খক ওইরে হায়বা য়াই। সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না পূম্নমক পাউ ফাওনবদা থায়নগুম্না অৱাবা ওইদ্রে। অদুবু মীওইবা মাশেলগী মরক্তা লৈরম্বা নুংশিনবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা, অরৈ-লৈত তাথোক-তাশিন তৌনরম্বা অফবা মীওইবগী লীচৎ কয়াদি ময়েং তারক্লি। মসিসু নুংনাংনীংঙাইনি। অদুবু অইবশিংনা, কবিশিংনা হোৎনরি। লাইরিক কয়া ফোঙলি। পাউজেল কয়া চেল্লি নুংশিবা থাজবা অফবা কয়া পুরক্লবা। তোঙান তোঙানবা মালেমসিদা ঙাঙনরিবা লোল কয়াদা ইনরিবা শৈরেংশিং লোল অমদগী অমদা ট্রান্সলেশনগী খূথাংদা পাদুনা লম অমগী ইনাকখুল্লবা খোরিরোল অমদি শৈরেং খঙনবা হোৎনরি। মসিনা কলচর অমদি ট্রেদিশন মান্নদবা মীওইবা খুন্নাইদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্তা শৈরেংগী খূথাংদা হেন্না নকশিন্নবা ঙম্নবা হোৎনদবা নত্তে। অদুনা কুমসি চহীগী থিম অসি য়াম্না চান্ন-চুনবা হায়বদুমক ওই।

মণিপুরদসু মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎনা লাকপদা লৈরিবা খোরিরোলগী লূপশিং, স্কুল-কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবদা লৈরিবা শঙশিংদা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা থৌরম কয়া হৌখিবা চহীশিংদগী পাঙথোক্লন্দুনা লাক্লি। সাহিত্য থৌপাং লূপ (সাথৌলূপ) নসু নুমিৎ অসি হৌখিবা চহী ২০১৩দগী হৌনা মণিপুরদা লেপ্তুনা পাঙথোক্লন্দুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পোক্লফম অমদি পিপলস ক্রোনিকলনা স্পোন্সর তৌবা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ শক্লাইরবা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা ২০১৩দা লান্থোকখি। চহী নৌরিবা অঙাংশিং য়াওনা শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবসু পাঙথোকখি। অসুম্না চহী খুদিং মণিপুরদসু সাথৌলূপ্না শৈরেং নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমদি অইবশিং গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ অসি অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীদা ২০২০গী, ক্ষেত্রি বিরদা ২০২১গী, অইবা আই এস কাংজমদা ২০২২গী, বি এম মৈস্নাম্বদা ২০২৩, মোইরাংথেম রাজেন, তেন্থাদা ২০২৪গী অদুগা ২০২৫কী ওইনা অইবা কবি রঘুবির থিয়ামদা পীখি। অদুগা ২০২৬কী ককচীং মায়কৈদা খোরিরোলগী য়ূম্বী অমা ওইরিবা ওজা য়েংখোম বিহারিনা মহাক্না মণিপুরী খোরিরোল চাওখৎনবা হোৎনরিবা, লেপ্তুনা শৈরেং ইরিবা অদুবু শকখঙবা অমদি ইকায়খুম্নবা ওইনা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ পীখি। অইবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা, মখোয়বু অৱাংবা থাক অমদি ফিদ্দা অমদা পুখৎপা হায়বসি মাঙজিল থানা চৎলিবা খুন্নাই অমগী হৌন খঙবা লীক্লম অদুনি। অইবশিংগী ৱাখল্লোন, মখোয়না ইরিবা লাইরিক, মখোয়না লাচল্লিবা খুন্নাইগী থৌদোকশিং, পূন্সি অমদি তাইবঙ অসি য়াম্না পাক চাউই। মসিবু মশক খঙবীবা হায়বসি খুন্নাই অদু হিংলিবনি। কাঙলূপ অমগী ফূরুপ অমগী আইদেন্টিটি অসি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা অইবশিংনা মশক তাক্লি। লমদম অসিগী আইবশিংনা ইরিবা লাইরিকশিং, শৈরেংশিং পাবগী তঙাইফদবসু লৈ। ডা. কমলনা মহাক্কী শৈরেং 'চন্দ্রনদী' দা ইরল্লিবা পরেং খরসি হন্না হন্না পাদুনা নুংগী ৱাহন্থোক অসি খঙমিন্নবসু তঙাইফদে। মহাক্না হায়, "কনানো শকহেনবা মীগী তোৰ্ৱান্দা লেপ্তুনা,/ইরুজগে থৌরাংলিবা, থৌরাংবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা?/ইরৈপাক্তসু তুরেল লৈ, ঈচেল কংখ্রে খল্লিবদু,/তৌদুনা য়েংসি অমুক্তা, য়েংসি থোরকপা লাইজ দু,/লুরবা লাইজ ফংগনি, ইরুজরবদি ঈশিংদুদা,/ঈংগনি পূক্নিং হকচাং কয়া নুংঙাইগবা পূক্নিংদা।" লমদম অসিগী ফজবা মতিক ময়াই অদু পূন্না খঙমিন্নবা তঙাইফদে। ঐখোয়গী পূক্কে চোন্না লৈরি। অৱাৎপা লৈতে।

মালেমগী শৈরেং নুমিৎনা লাকপদা মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরম্বা অমকপা ৱাখল পূম্নমক নুংশিবা শৈরেংনা কোকথোক চামথোকখিদুনা তরু তশেংবা তাইবঙপাল অমা ওইদুনা শান্তিগী য়েন্নীং চোংবা মালেম অমা ওইরসনু। ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -১৬

- আর কে বুধিমন্ত কর্তা -

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী থবক থৌরম অমা পাঙথোক্লবা মণিপুরী লোলনা মাইকতা পাউজেল অমা লাউবগী মখোল অদু তাবদা মৈতৈ অহল অমা য়াম্না শাউনা তফিং-তফিং থোরক্লগা ওজা এ কে সেরামহোয়বু কন্না চৈবীরে, - ময়াং মরকসিদা করি ফাগিনো তৌরিবদো, মীনা ফূবীরক্লোইদ্রা হায়না য়াম্না থীনা শাওখি। মতাংদুদা ওজা সেরামহোয়না হায়জে - ঐখোয়গী ইমালোলনা ৱা ঙাঙজরগা কনানা করিগী শাওদৌরিনো? ৱাফমদুগা তাবীদে অহলদুনা য়াম্না খোন্থিদা ঐখোয়গী লৈকায়সিদগী থুনা চৎখ্রো হায়না তান্থোকপীরকই। লাইরিক লাইশু হৈবা য়াম্না খঙবা হৈবগী মওংদা অহলদুগী মতৌদুদা ঙকখি। কিবোই খংবোই ঐখোয়সু তূমিন হল্লকখি। কয়াদা নুংশিরবা ৱারী অসে! ৱারীশিংসি তাবা ফংলবা তুং ঐনা খনখি, ওজা এ কে সেরামহোয়না চোংথোক্তুনা বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা মণিপুরী লোল অসি লোনগদবনি, ইমালোল অসি খঙগদবনি হায়না কথোকপা অমগা লোয়ননা চোংথোক্লন্দগী ঙসিদি বাংলাদেশতা মণিপুরী লোল অসি নিংথিজনা হৌজিক ফাওবা ঙাঙনরল্লিবনি অমসুং ইনাক খুল্লবা লোল অসিগী সাহিত্যগী লূপ অমা লৈফম থোকই হায়বসি ঙসিদগী চহী ৫০গী মমাঙদা উবীরমদুনা ঙসিদি ঈগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরগা বাংলাদেশকা সাহিত্যনা থোং ওইদুনা চৎথোক চৎশিন তৌবা ফংহল্লে। থোং অসি লাল্লক্তুনা ঙসিদি খূৎতা কলম কাবক-কাবক পায়জদুনা ৱারেং, শৈরেং খরা ইবা ঙমজবদগী বাংলাদেশকী তম্পাকথক্তা মীৎকুপ অমতং ওইরবসু খোঙদাজবা ঙমজরিবনি হায়না খঞ্জখি ঐহাক্লা।

ওজা এ কে সেরামনা মখা তারদুনা অসুম্না পনবী- হৌজিক্তি ঐখোয় ইমালোলনা ৱা ঙাঙবদা কিদ্রে, ইকায়দ্রে, ইমালোলনা শৈরেং, ৱারেং, ৱারীমচানচিংবা মণিপুরী সাহিত্যগী মচল কয়া ইমাগী লৈকোলদা খুদোল ওইনা তম্বা ঙমজরে। সাহিত্যগী মীফম, সেমিনার, সিম্পোজিয়মদা ইমালোলনা থম্মোয় পেন্না ৱা ঙাঙবা ঙমজরে। ঙসিদি মণিপুরীলোল-সাহিত্যসি য়াম্না লীরবা অমসুং চাওখৎলবা লোল অমনি হায়বসি মণিপুরী খুদিংমক্লা খঙলে মদুদি মণিপুরী সাহিত্য অসি চহী লিশীং কয়াগী চঙখোল্লবা পুৱারী অমসু শাগোন্নরিবা, মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্কী লোল অমসু ওইবতা নত্তনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা, অপূনবা ইন্দিয়াগী ওইবা অখন্নবা নেশনলগী লোল অমা ওইরবা, ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিনা শক খঙবীদুনা চহী খুদিংগী একাদেমি এৱার্দ পীদুনা মণিপুরী অইবা, অইবী কয়াবু ইকায়খুম্নবীরিবা লোল অমনি, চাউথোকচরিবনি হায়না মরীক চুম্না থম্বীখি।

মণিপুরী লোল - সাহিত্যসি হৌজিক্তি বাংলাদেশতা লেমজনীংঙাই ওইরবা মফম অমদি কঞ্জবা ঙমজরবনি অমসুং মদুগী এচিভমেন্ট কয়াসু ফংলবনি। বাংলাদেশকী মণিপুরীশিংগী হৌরকফম লমদম ওইরিবা মণিপুর অমসুং মণিপুরী মীয়াম্না খুন্দারিবা ষ্টেট কয়া অসাম, ত্রিপুরা, মেঘালয়ানচিংবনা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী থবক থৌরম কয়াবু শক খঙবীরবনি অমসুং শীংথাবীবা কয়া লৈখ্রে। বাংলাদেশতা মণিপুরী লোল - সাহিত্যবু হিংহন্নবা অমসুং চাওখৎহন্নবগী থবকসি ঈহৌ অমা ওইনা শাগৎপীবগী থবকসি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা হৌদোকপনি হায়না ওজা এ কে সেরামনা পল্লি অমসুং মসিগী থবকসিগী লুচিং ফিরালসি হৌজিকসু বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা পায়রিবনি। বাংলাদেশতা মণিপুরী সাহিত্যগী থৌমী খরা থোরক্লিবসি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী হোৎনজমনগী মহয়নি। ঙসিদি মণিপুরীশিংনা খুন্দারিবা ইন্দিয়াগী মফমশিং অসাম, ত্রিপুরা, মেঘালয়ানচিংবা মফমশিংগা বাংলাদেশ মণিপুরীশিংগা য়াম্না নক্লবা মরী অমা লৈবা হৌরক্লে। মতম অমদদি সাহিত্য - আর্ট এন্দ কলচরগী শক্লাইরবা মীওই কয়াদং মশীং লিক্লা বাংলাদেশতা লেঙবীরকখ্রে, ঐখোয়বু সাহিত্যগী থবক থৌরম কয়াদা চেবাউ তৌবীরক্তুনা ইকায়খুম্নবীখ্রে, মসি পূম্নমকসি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ লিংখৎপা অমসুং সংসদকী ফিরাল মখাদা থবক খরদং তৌজখিবগী মহয় য়াল্লবনি হায়না ওজা সেরামনা পল্লি।



ওজা এ কে সেরামনা ৱা ঙাঙবা

মণিপুরী লোল-সাহিত্যগী থবক থৌরম কয়াদা মায় পাক্লা মহয় কয়া য়াল্লবসু ঐখোয়গী নৌনা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী মনুংদা মমালোল মণিপুরীবু নুংশিহনবা অমসুং ইবা-পাবা ঙম্বগী মতাংদা খুমাঙ চাওশিলহনবা থোইনা ঙমদ্রি হায়বসি ঐখোয়গী ৱাখলদা ফাওরকপা মতম অমা লাকখি। মণিপুরী লোলগুম্না ঐখোয়গী মণিপুরী ময়েকসি য়াম্না লীরবসু মরম কয়াদগী বাংলা ময়েক্লা মহুৎ শিনখিদুনা চহীচা কয়া মাঙলুরবা মৈতৈ ময়েক মণিপুরদা নৌনা অমুক চৎনহন্নবা খোঙথাং কয়া কন্না লৌখৎলকখি। মদুগী মহয় ওইনা খৃ: ২০০৫দা লাইরিক লাইশুদা মৈতৈ ময়েক তম্বা হৌদুনা বাংলাদেশতা মৈতৈ ময়েক চৎনবা হৌরকখি। মথং মথং চৎনরক্তুনা মৈতৈ ময়েক অসি হৌজিক য়ুনিভর্সিটিগী থাক য়ৌনা শীজিন্নরে। স্কুল-কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিগী তম্নবা লাইরিক পূম্বা মৈতৈ ময়েক্লা ইরে, মসি মণিপুরগী ৱারিনি। মণিপুরগী মপান, মরু ওইনা বাংলাদেশতদি মণিপুরী লোলনা লৈঙাক্লা লাইরিক তম্বগী মেদিয়ম ওইনা লৌখৎপীদে, শম্না হায়রবদা মণিপুরী লোলনা লৈঙাক্কী থোঙদা লাইরিক তম্বগী খুদোংচাবা লৈতবনা মৈতৈ ময়েক তম্বগী খুদোংচাবসু লৈতে। অদুবু মৈতৈ ময়েক তমদবদি য়াদে নৎত্রবদি ময়েক্কী খেন্নবনা মরম ওইদুনা বাংলাদেশকী মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্য অসি হৌজিক চৎনরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ঈচেলদগী তোপ্তক্লা লাপ্পা তোখাইনা নাইতোম তানা লৈহৌবা হায়বসি শোয়দ্রবনি হায়না ওজা সেরামনা মহাক্কী থম্মোয়দগী পাখৎচবা, মীপাইজবা অদু মীয়ামদা থমখি।

ৱাহৈশিং অসি ঐগী থম্মোয়দসু ফাওখি। খৃ: ২০১০দগী বাংলাদেশকী এদ্যুকেশন পোলিসিদা বাংলাদেশকী ফূরুপ মচা মচাশিংগী মমালোলদা মখোয়গী মহৈরোয়শিংবু লাইরিক তম্বগী খুদোংচাবা পীননবা লোল মঙাখকপু অহানবদা লৌখৎলি। খৃ: ২০১৭তগী লোলশিংদুদা লাইরিক লাইশু ফোঙদুনা অঙাংশিংদা লাইরিক তম্বীবা হৌরে। মসিদা মণিপুরী লোল য়াওখিদে। মথংগী লোল খনগৎলকপদদি মণিপুরী লোল য়াওরগনি হায়না থাজবা থল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়গী অঙাংশিংবু মমালোল নুংশিহনবা অমসুং মণিপুরী লোল ইবা-পাবা ঙমহনবা অমসুং মৈতৈ ময়েকসু তম্বীবা য়াম্না য়াঙনা মথৌ তারে হায়বা ওজা সেরামহোয়না খল্লকখি হায়না মীয়ামদা থম্বী। মদুগী মীৎয়েংদগী বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা খৃ: ২০০৮দগী মণিপুরী মহৈরোয়শিংগীদমক্তা অনৌবা প্রোগ্রাম অমা লৌখৎলি। 'মণিপুরী লোলগী ফেষ্টিবেল' মিংথোনবা থৌরমশিংগীদমক্তা মণিপুরী লোলদা ইবা মণিপুরী পুৱারী, খোরিরোল, নাৎ অমসুং জেনরেল নোলেজ য়াওবা লাইরিক মচা অমা 'মণিপুরী নাচোম' মিংথোন্দুনা ফোঙলগা মণিপুরী মহৈরোয়শিংদা য়েন্থোকই। মৈতৈ ময়েক অমসুং মৈতৈ ময়েক্লা ইবা শৈরেংগুম্বা খরসু হাপ্পী। মতুংদা পরিক্ষা অমা পাঙথোক্তুনা, পরিক্ষা মায় পাক্লবা অঙাংশিংদা মনা-মথুম ওইনা লাইরিক, শেল, মেমেন্টোনচিংবা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপী। নুমিৎতু- 'মণিপুরী লোলগী ফেষ্টিবেল' হায়না নুমিৎ চূপ্পগী ওইনা থৌরমদু পাঙথোকখি। থৌরম হৌদোক্লবা মতুং রেল্লি চৎপা, সহিদ মিনরদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা, পরিক্ষা তৌবা, মহৈরোয়শিংগী থৌরম, খন্ন-নৈনবা, ঈশৈ নোংমাই অমসুং মনা-মথুম য়েন্থোকপনা নুমিৎতুগী থৌরম ওইখি। নুমিৎতুদা বাংলাদেশতা চোইনা তারিবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। চহীগী ওইনা থৌরম অসি চাং নাইনা পাঙথোকপদগী হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী লক্তা মমালোল মণিপুরী লোলবু নুংশিবা পোকহনবা ঙল্লে অমসুং মণিপুরী লোল, মরু ওইনা মৈতৈ ময়েক অসি ঙসিদি ইবা-পাবা ঙম্নরে। পূম্নমক অসি ওজা এ কে সেরামনা ওন্থোক্লা নুংশিনা মীয়ামদা থম্বীখি। খৃ: ২০১১দা বাংলাদেশ লৈঙাক্লা বাংলাদেশকী ফূরুপ মচাশিংগী মমালোলদা লাইরিক তম্বীবগী খোঙথাং লৌখৎলকপনা মরম ওইরগা মায়কৈসিদা অতৈসু পাক শন্না থবক তৌনবা মীৎয়েংদা 'Manipuri bhasha gabeshna o unnyan sangstha' কৌবা লূপ অমা লীংখৎতুনা মৈতৈ ময়েক অমসুং লোল তম্বীবগী অকনবা খোঙথাং লৌখৎলকখি। লূপ অসিনা খৃ: ২০১২দা বাংলাদেশতা অহানবা ওইনা মৈতৈ ময়েক তম্বগী লাইরিক অমা ফোঙখি অমসুং বাংলাদেশকী মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা মফম মফমদা চয়োলগী ছুটি নুমিৎতা তম্বীবা ওইনা 'মণিপুরী স্কুল' তরেৎখক লীংখৎতুনা থবক চঙ্খরকখি। মদুদা ইনোৎ হাপ্পা ওইনা 'Ethnic community Development organisation' কৌবা এন জি ও অমনসু মৈতৈ ময়েক অমসুং লোল তম্বীবগী স্কুল খরা হাংহনখি। বৃন্দারানি সিনহা কৌবী প্রাইমারি স্কুলগী ওজা অমনসু মরন্নাই থৌরাংজদুনা Bhanugach কী Haktiyarkhola হায়বা খুলদুদা ময়েক অমসুং লোল তম্বীবগী সেন্টর অমা হাংদুনা অকনবা থবক চঙ্খরকখি। অতোপ্পা প্রাইমারি ওজা কোন্থৌজম শিলপিনা 'ওনলাইন' দা মৈতৈ ময়েক তম্বীবা হৌরকখি। কোন্নদি ওফলাইনদসু স্কুল হাংদুনা কোন্থৌজম শিলপিসু ওজা বৃন্দ্রানিগা লোয়ননা Bhanugach কী Nayapattan হায়বা খুলদুদা স্কুল হাংদুনা কন্না হোৎনবা হৌই। বাংলাদেশকী অতৈ অতৈ মফমদসু স্কুলগী ওজা কনা কনাগুম্বনা ময়েক অমসুং লোল তম্বীবগী থবক তৌই। ওজা এ কে সেরামগী থম্মোয়নুংদগী থোরকপা মমল য়াম্লবা ৱাহৈশিং অসিনা তিল্লিবা মীয়ামদু চেক-মুক লাউহন্দনা মরীক চুম্না থম্বীখি।

বাংলাদেশতা মণিপুরীশিংগী মীশিং অসি য়াম্না লিক্লা অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হৌজিক ফাওবদা খুদোংচাবা খোঙথাং অমত্তা ফংদনা মণিপুরী লোল, সাহিত্য অসি হিংহন্দুনা থম্বা অমসুং মৈতৈ ময়েক তম্বীবা হায়বসি য়াম্না ৱানা থোক্লি। অদুবু কথোকপা অমগা লোয়ননা মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্য অসি তুংগী মীরোলগীমক, ঐখোয় মণিপুরী মৈতৈনি হায়বদু মীয়াম মাঙদা চাউথোকচবা ঙম্বা থাক অদুফাওবদি য়ৌনবা ইনখৎনবা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী থৌমী অমা ওইনা ঐনা ঙম্বা থাক অদুফাওবদি হোৎনখিনি হায়বগী পাউদম অদু তাজরুবদা থম্মোয়দা অপেনবা অমা ফাওজে। সনা ফুদোংবা 'গোল্ডন জুবিলি সিলেব্রেশন'গী চাউথোকচনীংঙাই অমসুং নুংশিরবা মীৎকুপসিদা ঙসি ময়াম পুন্নমক্কী মফমদা খঙহঞ্জবনি, থম্মোয়দগী থোরকপা শেংলবা নুংশিবা ৱাফমশিংসি অমসুং তিনবীরিবা মীয়ামদগী য়াইফ থৌজাল পীবিয়ু হায়না ময়ামগী মফমদা নোল্লুকচরি অমসুং ওন্থোক্লা নুংশিনা ওজা সেরামগী ৱা ঙাঙবগী থৌরম অদু লোইশিনখি!! ● (...মখা চঙ্খরকখিনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।